


# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL,WEDNESDAY, FEBRUARY 24, 2016 PAGE 7


*দুবাই টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপকী অহানবা রাউন্দদা কেরিয়রগী ওইনা ৬৯৯ শুবা মেটচ শান্নবদা স্পেনগী রোবিদ্রোবু মায় পীবা ঙমখ্রবা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোবিস*

*ওমানগী সহর মুস্কেটতা লোইশিনখিবা টুর ওফ ওমান সাইক্লিং লমজেলদা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা আষ্টানা টিমদা শরুক য়াখিবা ইটালিগী সাইক্লিষ্ট ভিন্সেনজো নিভালি*

*এফ এ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৫–১৬*

## মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা স্রুব্যুরি মায়থিবা পীদুনা এফ এ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে



*স্রুব্যুরিগী মায়োক্তা অহুমশুবা পাঞ্জল চন্দুনা হরাওনা চেহোরকখিবা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী জেসি লিনগার্দ*

লন্দন, ফেব্রুৱারী ২৩ঃ

ইংলন্দগী মমিং লৈরবা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা এফ এ কপগী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা স্রুব্যুরিবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবা অসিনা সিজন অসিদা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদনা লাকখিবা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মেনেজর লুই ভান গালগী মথক্তা লৈখিবা অচৌবা প্রেসর অমা য়াংহনবা ঙমখি।

মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অদুদা মখোয়গী লম্বা ওইখিবা স্রুব্যুরিগী টিম অসি ইংলিস ফুটবোলগী টায়র অহুমগী থাক্তা লৈবা টিম অমা ওইবা মরম্না লম্বা তৌনবদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা হৌবদগী ঙম্না লৈখি।

য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী পাঞ্জল অহুম চনখিবা শান্নরোইশিং অদুদি খৃস স্মোলিং, জোন মাতা অমসুং জেসি লিংগার্দনি। পনবা য়াবদি মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী টিম অসি হৌখিবা চয়োলদা য়ুরোপা লীগকী মেটচ অমদা দেনমার্ককী ক্লব এফ সি মিদটাইলেন্দগী মখুৎতা মায়থিখিবনি। মদুগী মাঙওইননা ইংলিস প্রিমিয়র লীগকী মেটচ অমদসু সুন্দরলেন্দগী মখুৎতা মায়থিবা নংখিবনি।

ঙরাংগী মেটচ অদুদা খুদুম চনবা ঙমখ্রবসু মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্নবা হোৎনবদা মিনিট ৩৭ চঙখি। অহানবা পাঞ্জল অদু খৃস স্মোলিংগী মায়কৈদগী চনখিবনি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ অদু লোইরবগুম তৌখিবনি। অদুবু হাল্ফ অদুগী অরোইবা মীকুপ্তা টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোই জেন মাতানা মেটচ অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা স্রুব্যুরিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দাকপা বোল খরা পুশিনবা ঙমখ্রবসু য়ুনাইটেদগী দিফেন্দরশিংনা মখোয় মখোয়গী থৌদাং অদু নিংথিনা লৌদুনা মখোয়না চনখিবা পাঞ্জল অনী অদু লেঙদনা লৈহনখি।

মেটচকী ৬১ শুবা মিনিটতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী জেসি লিনগার্দনা মেটচকী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা এফ এ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল অদু নিংথিনা শেমখি।

শান্নবা লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্রবদা য়ুনাইটেদকী শান্নরোই কিন শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমদনা ফিল্ডদগী থোকখিবনি। মহাক্কী মহুৎ শিন্নবা শান্নরোই মাঙজৌননা নিয়মগী ওইবা সবষ্টিট্যুট অহুম শিনখিবা মরম্না টিম অদু শান্নরোই ১০ শান্নহৌখি। মদুগী খুদোংচাবা স্রুব্যুরিনা লৌবা ঙমখিদবদগী ৩–০ দা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌননবা ৱেষ্ট হাম য়ুনাইটেদকা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা লম্বা তৌনরগনি।

## উত্তরখন্দ অমসুং রেলৱেজনা ভোলিবোল চেম্পিয়ন ওইখ্রে

টিরুপুর, ফেব্রুৱারী ২৩ঃ

তামিল নাদুগী সহর টিরুপুরদা পাঙথোকপা ২৯ শুবা ফেদরেসন কপ ভোলিবোল টুর্নামেন্টতা উত্তরখন্দ অমসুং ইন্দিয়ান রেলৱেজনা মথংশিংনা নুপা অমসুং নুপীগী টাইটল লৌখ্রে।

রাউন্দ রোবিন ফোর্মেটতা শান্নবা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়ান রেলৱেজনা মখোয়গী অরোইবা লীগ মেটচতা কেরেলাবু ২৫–১৮, ২৫–১৬, ২৮–২৬ তা থোইদুনা মখোয়না শান্নখিবা রাউন্দ রোবিন মেটচ অহুম্মক মায় পাক্তুনা নুপীগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

নুপাগী কাঙলুপ্তা উত্তরখন্দ অমসুং কর্নাতকানা মখোয় মখোয়গী সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎতুনা লম্বা ওইখিবা টিমশিং অদুবু সেট ৫ / ৫ দা মায়থিবা পীখি।

উত্তরখন্দগী মায়কৈদগী অহানবা সেট অদু ২৫–২০ দা থোইখি। অনীশুবা সেট অদুদসু উত্তরখন্দগী এটেকশিং অদুদা কর্নাতকাগী শান্নরোইশিংনা পাউখুম পীবা ঙমদবদগী ২৫–১৯ দা থোইখি।

অহুমশুবা সেট অদুদসু কর্নাতকাগী মায়কৈদগী উপায় লৈখিদবদগী উত্তরখন্দগী শান্নরোইশিং অদুগী এটেক্তা শুপ্নগী পোইন্ট ২১ খক লৌরিঙৈদা উত্তরখন্দনা ২৫ য়ৌবা হানখিবদগী চেম্পিয়ন অদু উত্তরখন্দনা ওইখিবনি।

## বিজেন্দরগী টাইটল বাউট জুন ১১ দা ওইরগনি

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২৩ঃ

ইন্দিয়াগী অহানবা প্রোফেসনেল বোক্সর ওইরিবা বিজেন্দর সিংহনা ৱার্ল্ড বোক্সিং ওর্গনাইজেসন এসিয়া টাইটল বাউট অদু চহী অসিগী জুন ১১ দা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্লগনি হায়না প্রমোটর ফ্রান্সিস ৱারেন্টনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

চহী ৩৩ শুরবা ২০১২ কী ওলেম্পিক ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট বিজেন্দর সিংহগী প্রমোটর ফ্রান্সিস ৱারেন্টনা ঙরাং ইংলেন্দগী ক্বিন্সবেরি প্রমোসন্সতগী টাইটল বাউট অদুগী মতম অদু খঙহল্লকপনি।

ৱারেন্টনা মখা তাখিবদা হায়রিবা নুমিৎ অদু ইন্দিয়াগী ওইনা প্রোফেসনেল বোক্সিংগী অনৌবা লমায় অমা হাংদোকপা ওইগদৌরিবনি।

হৌজিক–হৌজিক ইংলেন্দদা ত্রেনিং চথরিবা বিজেন্দরগী ফিভম অসি য়াম্না ফজরি। মরম অদুনা প্রোফসনেল বোক্সরবু ইন্দিয়ানা হেন্না চাউখৎহন্নবগী তাঞ্জা অমা জুন ১১ গী বাউট অমা ওইগদৌরি।

মমাঙ চহীদা প্রোফেসনেল বোক্সর অমা ওইখিবা বিজেন্দরনা বাউট অহুম লম্বা তৌখিবদা অহুম্মক মায় পাক্তুনা রেকোর্দ ফজবা ঙল্লি। দিল্লিদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধি ইন্দোর ষ্টেদিয়মনা বিজেন্দরগী বাউট অদুগী য়ুম্থু ওইগদৌরি। জুন ১১ মমাঙদা বিজেন্দরদা ইংলেন্দদা বাউট অহুম শান্নখিগনি।

*প্রো কবাদ্দি লীগ সিজন থ্রি ২০১৬*

## বেঙ্গল ৱারিয়র্সনা জয়পুর পিঙ্ক পেনথর্সপু মায়থিবা পীখ্রে



*জয়পুর পিঙ্ক পেনথর্সনা বেঙ্গল ৱারিয়র্সকী জান কুন লিবু ফাননবা হোৎনখিবা*

জয়পুর, ফেব্রুৱারী ২৩ঃ

প্রো কবাদ্দি লীগকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা বেঙ্গল ৱারিয়র্সনা জয়পুর পিঙ্ক পেনথর্সপু পোইন্ট ৩৪–১৮ দা মায়থিবা পীখ্রে।

রাজস্থানগী সহর জয়পুরদা লৈবা সৱাই মান সিংহ ষ্টেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা প্রো কবাদ্দিগী মেটচ অমদা য়ুম্থু ওইখিবা জয়পুর পিঙ্ক পেনথর্সপু বেঙ্গল ৱারিয়র্সনা মেটচ অদুগী লোইশিল্লকপদা লাকচবা হেনখিবনি।

শান্নবগী অহৌবা মিনিট ১৩ দা টিম অনীমক পোইন্ট ৬–৬ ফংদুনা লৈখি। মদুগী মতুং বেঙ্গল ৱারিয়র্সনা মখোয়গী মশান্নদা চেকশিনবা হেল্লকপদগী জয়পুরগী টিম অদুনা চথরকপা রেদশিংদা খুদোংচাবা অমত্তা পীদনা পোইন্ট লৌহনখিদে।

ৱারিয়র্সকী কেপ্টেন নিলেস সিন্দেনা হৌবদগী হৌনা ফজবা মওংদা শান্নবা ঙমখি। মহাক্না জয়পুর পিঙ্ক ফেনথর্সকী রেদ মরিদা চঙলকখিবা শান্নরোই অদু ফানবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি। নাকল অমরোমদা পেনথর্সকী মায়কৈদগী গিরিস অর্নাদনা পোইন্ট অনী থংন–থংননা লৌবদা নত্তনা বোনস পোইন্ট অমসুং লৌখি। অদুবু হাল্ফ লোইশিল্লকপদা ৱারিয়র্সনা পোইন্ট ১১–৮ তা হেন্দুনা চংখি।

অনীশুবা হাল্ফতা বেঙ্গল ৱারিয়র্সকী সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই জান কুন লিগী রেদ অমদা পোইন্ট ৬ ফংদুনা ২৫–১৪ দা মখা তানা ৱারিয়র্সনা হেন্দুনা চংখি। মেটচকী লোইশিল্লকপদা ৱারিয়র্সকী মায়কৈদগী মখা তানা পোইন্ট ৯ লৌখিবা অমদি জয়পুর পিঙ্ক পেনথর্সকী মায়কৈদগীনা শুপ্নগী পোইন্ট ৪ খক হাপচিনবা ঙম্লগা মেটচ অদু বেঙ্গলনা ৩৪–১৮ দা থোইখি।

*রিও ওপন এ টি পি টুর্নামেন্ট ২০১৬*

## উরুগুৱেগী কিবাসনা রিও ওপন টাইটল লৌখ্রে



*রিও ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা উরুগুৱেগী পাব্লো কিবাসনা ট্রোফি থাঙ্গৎতুনা হরাওবা ফোঙদোকপা*

রিও দি জেনৈরো, ফেব্রুৱারী ২৩ঃ

ব্রাজিলগী সহর রিও দি জেনৈরোদা পাঙথোকপা রিও ওপন এ টি পি অমসুং দব্লিয়ু টি এ টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা উরুগুৱেগী পাব্লোকিবাসনা আর্জেন্টিনাগী গ্বিইদো পেলাবু মায়থিবা পীদুনা নুপাগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে। অদুগা নুপীগী কাঙলুপ্তা ইটালিগী ফ্রান্সেস্কা স্কিয়াভোনিনা ফংখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা পাব্লোকিবাসনা গ্রান্দ স্লাম টাইটল ১৪ রক লৌবা ঙমখ্রবা স্পেনগী শান্নরোই রাফেল নদালবু মায়থিবাপীরব্লবা মতুং ফাইনেলদা আর্জেন্টিনাগী গ্বিইদো পেলাগা লম্বা তৌরকপনি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট কিবাসনা পেলাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা অকনবা লম্বা থেংনরবা মতুং সেট অদু ৬–৪ দা থোইখি। অনীশুবা সেটতা আর্জেন্টিনাগী গ্বিইদো পেলানা মহাক্কী মায়কৈদগী লৈজবা পুম্বা পুথোক্তুনা শান্নরকপদা সেট অদু টাই ব্রেক্তা য়ৌরকখি। টাই ব্রেক অদুদা কিবাসবু মহাক্না ৭–৫ তা হেন্দুনা সেট অদু মায় পাকপদগী ফাইনেল মেটচ অদু সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা অমদি অরোইবা দিসাইদিং সেট অদুদা উরুগুৱে অমসুং আর্জেন্টিনাগী শান্নরোই অনীমক অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্লখিদে। মশা মশাগী সার্ভিস গেমশিং অদু হোল্ড তৌদুনা শান্নরকপদগী গেম ৮ শুরবা ফাওবদা গেম ৪–৪ মান্নদুনা লৈখি।

৯ শুবা গেম আর্জেন্টিনাগী গ্বিইদো পেলানা সার্ভিস তৌরকখি। মদুদা উরুগুৱেগী পাব্লো কিবাসনা ব্রেক তৌদুনা গেম ৫–৪ দা মাঙজিল থাখি।

মাঙজিল থারবা মতুং ১০ শুবা গেম অদু পাব্লো কিবাসনা সার্ভিস তৌখি। হায়রিবা গেম অদু অশোয় অঙাম য়াওদনা কিবাসনা থোইদুনা রিও ওপন এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্ট অদুগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু উরুগুৱেগী কিবাসনা লৌখিবনি। টাইটল অসি পাব্লো কিবাসকী কেরিয়রগী ওইনা মরিরক শুবা এ টি পি টাইটলনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী ফাইনেলদা ইটালিগী মমাঙদা ফ্রেন্স ওপন টেন্নিসকী টাইটল ফংবা ঙমখ্রবী ফ্রান্সিকা স্কিয়াভোনিনা য়ু এস এ গী শান্নরোই সেলভি রোজর্সপু সেট ২–১ মায়থিবা পীখ্রে।

অহানবা সেট অদু রোজর্সনা ৬–২ দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেট অদুনা ফ্রান্সিকানা থোইবদগী ফাইনেল মেটচ অদু সেট অমমম মায় পাক্নদুনা লৈখি।

অরোইবা অমদি অহুমশুবা সেট অদুদা য়ু এস এ গী সেলভি রোজর্সকী সার্ভিস গেম অমা স্কিয়াভোনিনা ঙন্না ব্রেক তৌখিদুনা ৬–২ দা থোইবদগী ফাইনেল অদু মহাক্না লৌখিবনি।

ফ্রান্সকী সহর মার্সিয়েলদা পাঙথোক্লিবা মার্সিয়েল ওপন এ টি পি টুর্নামেন্টকী ফাইনেল অদু ওষ্ট্রেলিয়াগী নহা ওইরিবা শান্নরোই নিক ক্রাইগিয়োসনা স্লোভাকিয়াগী মারিন সিলিকপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–২, ৭–৬ (৭–৩) দা মায়থিবা পীদুনা মহাক্কী কেরিয়রগী অহানবা এ টি পি টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

দুবাইদা চথরিবা দুবাই দ্যুতি ফ্রি টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপকী নুপীগী ফাইনেলদা ইটালিগী সারা ইরানিনা জেক রিপব্লিক্কী শান্নরোই বারবোরা ষ্ট্রাইকোভাবু মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী কাংলুপ্তা অহানবা রাউন্দ মায়পাকখিবা শান্নরোইশিং অদুদি– রুসিয়াগী মিখেয়ল য়োজনিবু থোইরম্বা টুনিসিয়াগী শান্নরোই মালেক জাঝিরি, স্পেনগী শান্নরোই অনী শান্নবদা গুইলরমো গার্সিয়া লোপেজবু থোইরম্বা ফেলিসিয়ানো লোপেজ অমসুং ইটালিগী এন্দ্রি সেপিবু থোইরম্বা সাউথ কোরিয়াগী হিয়োং চুংনি।

*এসিয়া কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৬*

## অহৌবা নুমিত্তা য়ুম্থু বংলাদেশকা ইন্দিয়াগা শান্নরগনি



*এসিয়া কপ শরুক য়াগদৌরিবা টিমশিংগী কেপ্টেননা ট্রোফি পায়দুনা মেডিয়াগী মাঙদা লোঞ্চ তৌখিবা*

ধাকা, ফেব্রুৱারী ২৩ঃ

বংলাদেশনা য়ুম্থু ওইদুনা হয়েংদগী লৈবাক অদুগী সহর ধাকাদা লৈবা সের বংলা নেসনেল ষ্টেদিয়মদা হৌগদৌরিবা এসিয়া কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী অহৌবা মেটচতা ইন্দিয়াগা বংলাদেশকা শান্নরগনি।

পুন্না লৈবাক ৫ না শরুক য়াদুনা শান্নগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অরোইবা ক্বালিফায়র ওইনা ঙরাং য়ু এ ইনা ওমানবু রন ১৭ তা থোইদুনা শরুক য়ারকখিবনি।

ইন্দিয়াগী টিমদা ধোনিনা কেপ্টেন ওইদুনা মীওই ১৫ গী টিম বংলাদেশকা লম্বা তৌন্নবগীদমক শেম শাখ্রবনি। অনীশুবা মেটচতা শ্রীলঙ্কাগা য়ু এ ই গা ফেব্রুৱারী ২৫ দা থেংনগনি।

ইন্দিয়ানা মখোয়গী অনীশুবা মেটচ ফেব্রুৱারী ২৭ তা পাকিস্তানগা লম্বা তৌনগনি। অদুগা মার্চ ১ দা শ্রীলঙ্কাগা শান্নরবা মতুং মরিশুবা মেটচ অদু মার্চ ৩ দা য়ু এ ই গা থেংনগদৌরিবনি।

এসিয়া কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা বেটসমেন ভিরাট কোলিনা ফোঙদোকখিবদা মথং থাদা ইন্দিয়ানা য়ুম্থু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা আই সি সি টি–২০ ৱার্ল্ড কপকী শেম শাবদা চাউনা মতেং পাঙলগনি হায়খি।

এসিয়াগী মরুওইবা ক্রিকেট শান্নবা লৈবাক ৪–ইন্দিয়া, পাকিস্তান, শ্রীলঙ্কা অমসুং বংলাদেশকী পাঙ্গল লেপক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসি লৈবাকশিং অসিগীসু ওইনা য়াম্না মরুওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইগদৌরি।

কোলিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা ইন্দিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড কপকী মেটচশিং শান্নগদৌরিবা পিটচশিং অদুগা বংলাদেশকী পিটচকা মান্নবা মরম্না ৱার্ল্ড কপকীদমক শেম শাবদা য়াম্না কান্নবা ফংলগনি হায়রি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা মমাঙদা ওষ্ট্রেলিয়া টুরদা ফজবা ঙমখিবা অমদি শ্রীলঙ্কাগা মেটচ অহুম শান্নখিবদসু মায় পাকখিবা অদুনা এসিয়া কপ্তসু চাউনা মায় পাকপা য়াবগী আশা লৈরি।

কেপ্টেন ধোনি ত্রেনিংদা মসল শোকপদগী অহৌবা নুমিৎকী মেটচতা য়াওবগী চাং নেল্লি। পার্থিব পটেলনা মহাক্কী মহুৎ শিনগদৌরি।


ADMISSION STARTS

For New Batch

GENERAL FOUNDATION COURSE

[ GFC ]

For Banking, SSC and Other Competitive Exams

CLASS STARTING FROM 22-02-2016
TIMING: 3.00 PM TO 5.45 PM

For limited seats

For limited seats

SPECIAL EMPHASIS ON :
- Verbal Reasoning
- Numerical Aptitude
- Banking Awareness
- Computer Awareness
- Non-Verbal Reasoning
- Indian Economy
- Marketing Awareness
- Current Affairs, etc.

SPECIAL FEATURES
- Supply of Study Materials
- Online exam practice class
- Regular Sectional Tests

Proactive Academy
of Competitive Examinations (PACE)
For a Bright Future

KWAKEITHEL, IMPHAL

PHONE: 9206319209

SL/ 3 feb to 6 march